## সাইন্স কোংগ্রেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়া জিরিবামদা ২৬ শুবা চিল্ড্রেন'স সাইন্স কোংগ্রেস ২০১৮ মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা পাঙথোকপা সাইন্স কোংগ্রেসনি।

পাঙথোকখিবা সাইন্স সেমিনার অসিদা জিরিবামগী ওইনা স্কুল অনী হায়বদি জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি আর কে সনাতোম্বী বিদ্যলয়া জিরিবামনা শরুক য়াখি। চিল্ড্রেন সাইন্স সেমিনার অসিদা জিরিবাম গভর্নমেন্টহায়র সেকেন্দরি স্কুলনা প্রোজেক্ট অহুম অমদি আর কে সনাতোম্বী দেবি বিদ্যলয়া, জিরিবামনা প্রোজেক্ট অনী পুন্না প্রোজেক্ট ৫ গী টিমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেমিস্ত্রিগী সিনিয়র লেকচরর আর কে গম্ভীরজিৎ অমদি জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোটানিগী লেকচরর পি ঐচ যুদিষ্ঠিরতাথানা জজ ওইখি। ঙসি পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল চিল্ড্রেন'স সাইন্স কোংগেস ২০১৮ অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর, জিরিবামগী ঐচ রাজেননা হায়খি, মদুদি ঙসি পাঙথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল চিল্ড্রেন'স সাইন্স কোংগ্রেস অসিদা পুন্না টিম ৫ গী মনুংদা টিম ৪ খনখি। খল্লবা টিম অদুদি জিরিবাম গভর্নর হায়র সেকেন্দরিদগী টিম ৩ অদুগা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলায়া, জিরিবামদগী টিম ১ পুন্না টিম ৪ অসি খনখিবনি। খল্লবা টিম অসিনা ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোক্কদবা চিল্ড্রেন'স সাইন্স কোংগ্রেস ২০১৮ দা শরুকয়াগনি হায়রি।


## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:24/07/2018
Valid From:22/07/2018
***Stk 14Kg:306 , Rs.998.50/- 5Kg Stock Available***
Timing :08.00am to 10.00am

**K&K INDANE SERVICE**
Booking Upto:14/08/2018
Valid From:09/08/2018
***Stk :612, Rs.998.50***
Timing :07.30am to 11.00am
(First come first serve)

**KHORIPHABA, NAMBOL SL.NO. 2658-2862**
Booking Upto:09/08/2018
Timing :06.30am to 09.00am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:23/06/2018
Valid From:12/06/2018
***Stk :918***
Timing :07.30am to 11.00am

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:09/07/2018
Valid From:04/07/2018
***Stk :612(DBTL),Rs.998.50/-***
***(Commercial 19Kg Stock Available)***
Timing :07.00am to 10.00am

**MAHALAKSMI INDANE SL.NO. UPTO 224681**
Booking Upto:05/07/2018
Valid From:03/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. 7611-8120**
Booking Upto:10/07/2018
Valid From:09/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:25/06/2018
Valid From:23/06/2018
***Stk :612***
Timing :07.30am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:24/07/2018
Valid From:30/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.00am

**KHUMBONG INDANE SL.NO. UPTO 230**
Booking Upto:18/08/2018
Valid From:15/08/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.30am

**R & H IRILBUNG**
Booking Upto:12/06/2018
Valid From:04/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:02/08/2018
Valid From:27/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 10.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:12/07/2018
Valid From:11/07/2018
***Stk :306 (DBTL)***
Timing :07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Xerox)

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:30/06/2018
Valid From:24/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 10.00am
(First come first serve)

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto:07/08/2018
Valid From:31/07/2018
***Stk :306***
Timing :06.30am to 10.00am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto:10/07/2018
Valid From:09/07/2018
***Stk :306***
Timing :06.30am to 09.30am


# স্কোরপিও হুরান্দুনা পুরম্বা অমা ফারে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচএনএস): সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাঙ্গাল কৈথেলগী দুকান অমদা পোৎ লৈবা চংলুরগা থোরকপদা ২৬ শুবা সেক্তরগী মখাদা লৈবা ২৮শুবা রাজপুৎ রাইফলসকী দ্রাইভর অমনা থৌরকপা অঙৌবা মচুগী স্কোরপিও অমা লৈরমদ্রে।

পুলিসতগী ফাঙবা পাউনা হায়, থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। খুদক্তা দ্রাইভর অদুনা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট অমা তৌখি। পাউ অদু ফংবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্তর বি লুন্থাং রাইফৈনা লুচিংবা টিম অমনা টিন্দিম লম্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌখি। মদুদা ইম্ফালমেল্লীদদগী টিন্দিম লম্বীদা থৌরকপা মহিন্দ্র স্কোপিও অমা বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী টিম অমনা খাম্বনা ইঙ্গিৎ পীবদা খাল্লমদনা থৌখি হায়রি।

গাড়ী অদু থিনুঙ্গৈ মাইকৈরোমদা থৌখিবদগী বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী টিম অমনা থৎলগা থিনুঙ্গৈ এরিয়াদগী ফাখি। কম্মান্দোনা ফারবা স্কোপিও অদুগী মরী-মখোং থিগৎলুবদা গাড়ী অদু থাঙ্গাল কৈথেলদগী মাঙখিবা গাড়ীনি হায়বা খঙবা ঙমখি। গাড়ী অদুবু থৌরকপা দ্রাইভর অদুগী মমীং নামৈরাকপম রঞ্জিৎ (২৪) অপোকপা এন সনাতোম্বা কৌই। মহাক থিনুঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। নুংথিলগী পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা ফারবা গাড়ী অমদি দ্রাইভর সিটি পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## বন্দ শৌগৎপশিংনা ত্রক অনী থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর হিল দিষ্ট্রিক্ট দি পি সী কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সতেবল মেল ২০১৩ না ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মণিপুরগী চীংগী এরিয়াদা কৌখিবা পুং ৪৮ গী বন্দনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

বন্দ মনুংদা ঙসি অয়ুক নেসনল হায়ৱে নম্বর টুদা পোৎ পুদুনা লাকপা ত্রক অনী কংলাতোম্বী এরিয়াদা বন্দ শৌগৎপশিংনা নুঙনা থাদুনা গাড়ীগী ৱিন্দসিল্ড গ্লাস থুগায়দুনা অমাঙ অতা থোকহনখি। মোটবুং অমদি কংলাতোম্বীগী এরিয়াসু বন্দ শৌগৎপশিংনা লম্বীদা তায়র মৈ থাবা অমদি উ ৱা ফৈজিনবনচিংবসু চথুখি হায়রি।

বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বী, নেসনল হায়ৱে ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীদা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। ইম্ফাল উখুল লম্বী অমদি ইম্ফাল চুড়াচান্দপুর লম্বীসু চীংলোমদগী ইম্ফালদা লাক্কদবা গাড়ীশিং মহৌশাগুম লাক্লখিদে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং ইম্ফাল এরিয়াদসু বন্দ শৌগৎপা কাঙবুনা লম্বীদা উ-ৱা ফৈজিনবা অমদি তায়র মৈ থাবনচিংবা চথুখি। মদুনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহনখি হায়রি।

## জন নেতা ইরাবতকী নীংশিং থৌরম কুম্বীদসু পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচএনএস): জন নেতা হিজম ইরাবতকী ১২২ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি কুম্বী কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, কুম্বী লোকেল কাউন্সিলনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরা, ষ্টেট সেক্রেটরি, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আই, এল সোটিনকুমার লোয়ননা কমরেদ কয়ানা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ডো. এম নরানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি সেন্তরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্বু হিন্দু ওইহনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা চীংশিল্লকপা অসি য়াম্না লায়বক থিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া ইরাবতনা হিংলিঙৈ মতমদা নিংথৌগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক মহাকপু জেলদা ফাওবা থমখিবনি। মরম অসিনা মহাক্লা মীয়াম্ন া লৈঙাকচবা লমদম অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনরম্বগী খুদম ঙসি ষ্টেট এসেমব্লী লৈহল্লিবা অসিনি। মরম অসিনা থাবুম কয়া মণিপুর মীয়াম্না মহাকপু মতম চুপ্পা নীংশিংবা ফৈ হায়না ফোঙদোকখি।

## হেরোইন গ্রাম ৩৫০ গা কোন্ননা ১ ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪ (ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর পুলিসনা নুপী অমা ময়াই কাবা চীঞ্জাক নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর গ্রাম ৩৫০ গা কোন্ননা ইম্ফালগী ন্যু নম্বুলেন্দদগী ফারে। নাবনা থা অসিগী ১ দা নম্বর ফোর হেরোইনগা কোন্ননা ফারবা নুপী অদুগী মমিং সিমি হাওকিপ মপুরোইবা মিংনা লালবোই হাওকিপ কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী সাইকোত্তগী লাক্লগা হৌজিক্ক া ইম্ফালগী ন্যু নম্বুলেন্দদা লৈবনি। মহাক নাবনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

## ইম্ফাল-তমেংলোং এম এস টি বস লমথাগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচএনএস): ইম্ফাল-তমেংলোং অমদি ইম্ফাল-তামৈ এম এস টি এক্সপ্রেস বস সর্ভিস অথুবদা চীফ মিনিষ্টরনা লমথারগনি। মরী লৈনবা অকুপ্পা ৱারোলশিং থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা থাগৎপীরকউ হায়না এম এস টিগী জোইন্ট দিরেক্টরনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর তমেংলোংদা চেরোল অমা ইখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী জোইন্ট দিরেক্টরনা দি সী তমেংলোংদা ইখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমশিংদি ইম্ফাল-তমেংলোং অমদি ইম্ফাল-তামৈ এম এস টি বস সর্ভিস অথুবদা সী এমনা লমথারগনি। অহানবগী ওইনা লম্বীশিং অসিদা সীট ৩১ লৈবা দাটা মার্কো পোলো বস অমমম্ সার্ভিস হৌগনি। এম এস টি সর্ভিস হৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা অকুপ্পা ৱারোলশিং পীখৎপীরকউ। পীখৎলক্কদবশিংগী মনুংদা টাইম সেদ্যুল্ড, চয়োলগী নৎত্রগা থাগী ওইনা সর্ভিস তৌবগী ফ্রিক্বেন্সি, মেজর ষ্টেসন, ষ্টোপেজ, তমেংলোং অমদি তামৈদা নুমিদাং লেকপগী ফেসিলিটিনচিংবগী ৱাফম অসিনি হায়নসু মখা তারি।

## মতম শাংদোকপীয়ু: এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস): প্রী মেত্রিক অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরসিপ ও বি সী অমসুং ঈ বি সীগী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎ শাংদোকপীনবা ওল মণিপুর অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ও বি সী এন্দ এস সী দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরদা ঙসি ওল মণিপুর অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম ঐচ যাইফবনা খুৎয়েক পীবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি। হৌখিবা ওগষ্ট ২০দা থোকখিবা ও বি সী এন্দ ঈ বি সী ওফ মণিপুর ষ্টেট অন্দর নম্বর এ/পি এম-২/ও বি সী-২০১৮/৪২গী মতুং ইন্না ও বি সী অমসুং ঈ বি সীগী কুমজা ২০১৮-১৯গী স্কোলরসিপকী ফোর্ম ওনলাইন দা সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎ অসি থা অসিগী ১০নি হায়রি।

## পেট্রোল অমসুং দিজলগী ...

*লামায় ১গী মখা...* হন্থরকখিবদা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম খরা ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা নবেম্বর ২০১৪ অমসুং জন্যুৱারী ২০১৬ কী মরক্তা ইন্সটোলমেন্ট মাপনদা দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি লিটরদা লুপা ১১.৭৭ অমসুং পেট্রোলগীনা লিটরদা লুপা ১৩.৪৭ হেনগৎহনখি। তৌইগুম্বসুং মদুগী মতুংদা হৌজিক চহীসিগী ওক্টোবর থা খক্তদা টেক্স ককথদুনা লিটরদা লুপা ২ হন্থহনখি।

সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা লৌরিবা এক্সাইজ দ্যুটি হন্থহনবনা ফিস্কেল দিফিসিট থোকহল্লকপা যাবনা বিহার, কেরলা অমসুং পঞ্জাবকুম্বা ষ্টেট খরদি সেলস টেক্স নৎত্রগা ভি এ টি হন্থহল্লকপগী ফীভম উদে হায়না এক্সপর্টশিংনা থাজে। রাজস্থান, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কার্নাতাকানচিংবা ষ্টেট খরদি সেন্টরগী খোঙথাংগা চানবা ভি এ টি হন্থহনখ্রে।

হৌখিবা চহীগী জুনগী ময়াই চনবদা নুংতিগী ওইনা মমল রিভিজন তৌবা চৎনহনখ্রবা মতুং ওগষ্টকী থাখায় চনবদগী পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ৬.৮৬ হেনগৎখি অমসুং দিজলগীনা লুপা ৬.৭৩ হেনগৎখি। হেনগৎপগী চাং অদু চয়োল তরুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। মমাংদা অসিগুম্বা মতমগী মনুংদা চাং অসি য়ৌনা হেনগৎখিবা অমত্তা লৈখিদে।

ষ্টেটনা চলাইবা থাওগী ফার্মশিংগী প্রাইস নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা পেট্রোলগী মমল পৈশা ১৫ অমসুং দিজলগীনা পৈশা ২০ হেনগৎখি। মদুনা মরম ওইদুনা দিল্লিদা পেট্রোলগী মমল হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংদুনা লিটরদা লুপা ৮৪ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৭৫.৪৫ য়ৌখিবনি।

চৈরকসিদা, মহারাষ্ট্র লৈঙাক্লা ঙসি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং লিটরদা লুপা ২.৫০ হন্থহল্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংদা থাওগী মমল লুপা ৫ তানা ফংহনবা হৌখ্রে।

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ইরানীনা সিল্ক...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি লমদমসিদা ফংলিবা মুগা, ইরি, টসর অমদি মলবরি নীংথিনা য়োকখৎনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অসিগুম্বা এক্সপো অসি পাঙথোক্লিবনি। সেরিকলচরগী থবক থৌরমশিং অসি মণিপুরগা য়াম্না চুনবা ওইরিবনি। লমদম অসিদা ফংলিবা মুগা, ইরি, টসর অমদি মলবরিগী পোথোকশিং অসি য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা ঙাক্তনি। সিল্ককী পোথোক কয়াসু ষ্টেট অসিদা পুথোক্লি। ফজবা ফিজেৎ লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা সিল্ককী মখল কয়াগী ফিসু লৈরি। লমদমসিদা সেরিকলচরগী লম্দা খুমাং চাউশিনহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## দিপার্টমেন্ট ২গী মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪ (ঐস এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফাজিনখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী তংদু লৈতাবা ফিভম পুরক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেমিস্ত্রি অমদি ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী দিপার্টমেন্ট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কেমিস্ত্রি দিপার্টমেন্টতা অনীশুবা সেমিষ্টর তল্লিবী মহৈরোয় জরিতরানি থৌদামনা ফোঙদোখিবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মরাল লৈতবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং ফাজিনখ্রগা হৌজিকফাওবা থাদোক্তনা লৈরি। লোয়ননা বোই, কলম পায়দুনা লৈজরিবা মহৈরোয়শিংগী মায়োক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেস ময়াম অমা থাজিল্লক্লিবা অসি য়াজনিংদে।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়রিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিং অসি লৌথোক্কনি লৌথোকপা হৌরেদি হায়। অদুবু হৌজিকফাওবা লৌথোকপগী মমি উদে। ফাজিনখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসি তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লাক্লিফাওবা ইগজাম থারোই।

লোয়ননা এম য়ু দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী মীহুৎশিংগা প্রোফেসর কে যুগিন্দ্রোগা ৱারী শান্নবদা মহৈরোয় অমদি ওজা ফাখিবগী এফ আই আর হন্দোক্কনি হায়বগী থাজবা পীখিবা অদু ঙসিফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি। এফ আই আর হন্দোক্তবনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম লাকপা ঙমদবা তারগদি মদুগী দাইত্য প্রোফেসর যুগিন্দ্রোনা পুগদবনি হায়নসু মখা তাখি।

## 'গভর্ণরনা খোঙজং ...

*লামায় ১গী মখা...* খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্পগী মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

অথুবা মতমদা এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না পল্লদুনা চেরোল অদুনা হায়, সেন্টরগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্তবা তারবদি সস্পেন্দ তৌখ্রবা প্রোফেসার এ পি পান্দেনা থেংনখিবা ফীভম অদুম্মক চপ চানা মায়োক্লরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াবা মরম্না ৱাই-কেটগোরিগী সিক্যুরিটি পীবীয়ু হায়নসু প্রোফেসার যুগিন্দ্রোগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক মমাঙদা পুলিস পর্সনেল খরখক থম্বা নত্তনা ওক্টোবর ১ দগী ষ্টেট লৈঙাক্লা সিক্যুরিটি পর্সনেল অয়াম্বা লৌথোকখ্রে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কা-হেনবা থৌওং চথুরকখিবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়, ওজা অমদি ষ্টাফ পুম্নমক ফানবা থৌরাং লেপখিবগা লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটিদা কা হেন্না অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী মেম্বর খরনা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক্কী কেস কাউন্টরদা ফল্লিবা ওফিসলশিংদা এদমিসন ফোর্ম পীবা লেপকদবনি হায়না কিহল্লম্বা লৈখি। মুসুগী মেম্বরশিংনা চথুরক্লিবা থৌওং অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তমগে খল্লিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাংবা য়ানা লৈরে। এদমিসন ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম ওক্টোবর ৮ ফাওবা শাংদোকহনখিবা তারবসু মহৈরোয়শিং মিং চনবা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সেন্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা য়ুনিভর্সিটিদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

## এম য়ুগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুনিভর্সিটি অমা হাংদোক্লবা দিমান্দ তৌনবা লেপ্পরে।

অনীশুবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি এজিটেটরশিংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিদা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অমা থা অসিগী ৯গী অয়ূক পুং ৫ দগী থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ৫ ফাওবা কৌবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রোহিঞ্জা মচা ৭ ম্যান্মারদা ...

*লামায় ১গী মখা...* মোরে পুলিসকী এস দি পি ও সন্দিপ গোপাল দাস, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট তরুকশুবা এ পি বি এন ওফিসর সুধংশের, ইমিগ্রেন্ট মোরে তাজুদিন অমসুং মোরে পুলিসকী ও সী লেটখোহাও ভাইফৈসু শরুক য়াখি। ম্যান্মারগী মায়কৈদা তামুগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ইমিগ্রেসন ওং মিও, ইমিগ্রেসন ওফিসর তামু মোং মোং তারসু শরুক য়াখি।

ওফিসলশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মারগী মোনৌ নোর্থ ইষ্টর্ন ভেলি হায়বা মফম ফাওবা মখোয়বু ইমিগ্রেসননা থিনগনি। মদুগী মখা তাবদি মশা-মশাগী রেস্পোন্সিবিলিটি ওইগনি হায়না তামুগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ইমিগ্রেসন ওং মিওনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর-২গী ম্যান্মার চেক পোষ্ট মমাংদা রোহিংয়া তরেৎ অদুগা লৈবাক অনীগী ওফিসলশিংগা ফোটোসু নম্মিন্নখি।

ঙসি খুৎশিন্নখিবা রোহিংয়া মচাশিং অদুদি, এম দি ইনস অপোকপা মহমদ, সবির অহমদ অপোকপা কবির অহমদ, এম দি জমাল অপোকপা সুকুর, এম দি সলাম অপোকপা এম দি লিয়াজ, এম দি মুকবুল অপোকপা জাফরুদ্দিন, এম দি রুহিমুদ্দিন অপোকপা নিজামুদ্দিন অমসুং এম দি জমাল হুসেন অপোকপা এম দি অহমদ হুসেননি। মখোয় ম্যান্মারগী ফাইদা দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি।

## কোংগ্রেস পার্টিদগী বি জে পিদা য়াওরক্লবা এ দি সী মেম্বর ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচএনএস): কোংগ্রেস পার্টিদগী বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বর অনী মথংশিংনা আর এস হেনরি হিলি অমদি কে ঐচ সাপুনিবু তরাম্না ওকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী টেম্পরারি ওফিসতা ঙসি মেম্বর অনী অসিবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। বি জে পি মণিপুরগী প্রসিডেন্ট কে এস এচ ভবানন্দনা মেম্বর অনী অসিনা বি জে পিদা য়াওরকপদা অযাবা পীবগা লোয়ননা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

পার্টি প্রসিডেন্টনা তরাম্না ওক্লবা তুংগা পাউমীশিংগা উনবদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিডেন্ট জোটিন রাইখোমনা হায়খি, বি জে পিগী থবক থৌগায়শিংবু থাজবা থম্বদগী সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বর অনীনা বি জে পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওক্লি। মেম্বর অনী অসি কোংগ্রেস ওইরম্বদগী বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদা বি জে পিগী মেম্বর ৮ লৈরম্না অদুগী মথক্তা মেম্বর অনী অমসু য়াওরকপা অসিগা থারগা পুম্না মেম্বর ১০ লৈরে।

বি জে পিদা য়াওরক্লিবা মেম্বর অনী অসিগী মনুংদা আর এস হেনরি হিলিদি মমাংদা কয়ারক হন্না সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চেয়রমেন ওইরম্লবা মীওই অমনি। হৌজিকসু মেম্বর ওইনা কারিবনি। সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বর অনী অসিনা বি জে পিদা য়াওরকপা অসিনা বি জে পি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবদা মতেং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিডেন্ট সলাম জয়সু শরুক য়াখি। সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী বি জে পিগী মেম্বর অসিনা এ কাপানিসু ঙসিগী থৌরম অদুদা দেজদা ফমখি।

## রেদিয়ন্ট গ্রুপকী গ্রিহান, সী এন সী অমসুং রেদিয়ন্ট রিঅল ইষ্টেট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪ (ঐচ এন এস): রেদিয়ন্ট গ্রুপকী ইভেন্ট মেনেজমেন্ট কম্পনি ওইরিবা গ্রিহান, কম্পুটরাইজ নুমরিকেল কন্ট্রোল (সী এন সী) অমসুং রেদিয়ন্ট রিঅল ইষ্টেট ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখ্রে।

সঙাইফেল্লী নিংথেমচাকপদা রেদিয়ন্ট গ্রুপকী তোঙান-তোঙানবা শরুক অহুম হাংদোকপদগী থৌরম অদুদা হৈস্নাম বালকৃষ্ণ, দিরেক্তর, দি আই পি আর মণিপুরনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রেম রোমিও, মেনেজিং দিরেক্টর, রেদিএন্ট গ্রুপনা প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা ফোঙদোখিবদা মণিপুরসি চাওখৎকে হায়রগদি গভর্নমেন্ট খক্তা ঙাইবনা য়ারোই। লৈবাক অমগী ইকোনমি অমা চাওখৎপা মতমদা প্রাইভেট সেক্তর অমসুং পব্লিক সেক্তর অনীমক পুন্না মতেং পাংনরগা চৎমিন্নবা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা অচৌ-অচৌবা ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরিজ লৈতবনা মরম ওইরগা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম য়াম্না ৱাংই।

অসিগুম্বা মফম অমদগী মী অমগী ইন্টরপ্রেন্যুরসিপ স্কিলদগী থোরকপা ৱাখল্লোন অমখক্লা নহা কয়া থবক পীবা ঙমবা হায়বসি অচৌবা থবক অমনি। মালেমগী খোঙজেল অসিদা য়াওগে হায়বা তারগদি শুবা নোম্না কনবা, মতমগী মমল খঙনা চৎপা তঙাইফদে অমসুং হিংলিগে পুন্সিদা লমদম অসিগী চাওখৎনবা থবক কয়া তৌবা চঙই।

মতম অমদা অপীকপা ট্রেনিং হৌদ অমদগী হৌরক্লবা হৌজিক রেদিয়ন্ট গ্রুপকী মশা ময়াম শন্দোরকপা অসি থোকনবা কননবগী মহয়নি। লোয়ননা তুংগনু গ্রুপ অসিগুম্না ষ্টেট অসিদা ইন্টরপ্রেনুর কয়া থোরকপা ওইসনু হায়খি।

থৌরম অদুগা প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রেম রোমিওনা হায়খিবদা ঙসি রেদিয়ন্ট গ্রুপনা হাংদোকখিরিবা গ্রিহান অসি অনৌবা টেক্নোলোজিদা পুশিন্দুনা ইভেন্ট মেনেজমেন্ট ওইনা হাংবনি। মসিগা লোয়ননা কম্পুটরাইজ ন্যুমেরিকেল কন্ট্রোল (সী এন সী) মেছিন অসিসু হাংজবনি। মসিনা কম্পুটরগী খুখাংদা অকনবা পোৎশকশিং, প্লাই, ৱুদ, প্লাষ্টিকশিং কক্তুনা য়ুমগী লৈতেং হাপ্পদা শীজিন্নরক্কনি খন্দুনা হাংজবনি।

রেদিয়ন্ট রিঅল ইষ্টেট অসিনা ষ্টেট অসিদা লম য়োনবা লৈবা তৌবদা দেত বেজ অমা শেমদুনা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা লম লৈবা য়োনবগী থবক তৌগনি। রেদিয়ন্ট গ্রুপনা হাংজরিবা তোঙান-তোঙানবা ব্রাঞ্চশিং অসিনা মথৌ নীংথিনা তৌবদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

## মণিপুর ফোরেষ্ট রুল থুগাইবা মীওই ৬ দি এফ ও থৌবালনা ফাগৎখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা কয়ানা কয়ারক হন্না ফোরেষ্ট কনসি, অকোয়বগী ফীভম ঙাকসি, কাঙলোন কায়না জঙ্গলগী উ-ৱা য়াম্থৎপা অমদি চীংলৈবাক কোৎপা তৌবীগনু হায়না হায়জরবসু কাঙলোন কায়না উ-ৱা য়াম্থৎপা অমদি লোনা য়াদবা মওংদা ফোরেষ্টকী পোৎলম কয়া লল্লোন-ইতিক তৌবা ঙসিসু লেপ্তুনা অদুম্মক চথরি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ রোম তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খ্বারোক রিজর্ব ফোরেষ্টকী জগা, য়াইরিপোক খোইরোমদা লো কায়না উগী লল্লোন-ইতিক তৌরম্বা মীওই ৬ মখোয়না শীজিন্নরম্বা জে সী বি অমগা কোন্ননা য়াল্লবা উ কয়া ফাগৎখ্রে।

দ্রাইব অদু দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন এন গনেশকী মীৎয়েং মখাদা ফোরেষ্ট ওফিসলশিং অমদি য়াইরিপোক পি একী অপূনবা টিম অমনা ফাগৎপা ঙমখিবনি। মখোয়না চীংগী ঈমায় মতেক অমা তেমথোক্তুনা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওদনা সো মিল হাংদুনা লৈরম্বনি হায়রি। মখোয় ৬ ঙসি নুংথিল থৌবাল কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ ১৫ নিগী জুদিসল রিমান্দ লৌখৎখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী নৈনা দি এফ ও থৌবাল এন গনেশনা ফোঙদোরকপদা, মীয়াম্না মখল অমত্তগী লোনা য়াদবা মওংদা চীংগী লৈবাক কোৎপা, উ য়াম্থৎপা অমদি ফোরেষ্টকী পোথোক মাঙহনবা য়াবা থবকশিং তৌবীগনু। ফোরেষ্টকী জগাদগী লৈবাক কোৎথোকপগী মতাংদসু হায় কোর্টনা পি আই এল নম্বর ২৫, ২০১৬ গী কেস অমদা অথিংবা অসি লৈহনখ্রবনি।

কনাগুম্বনা তৌবা তারবসু তঙাইফদবা ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স, ইনভাইরনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স অমদি মণিপুর মাইনর মিনরেল কন্সেসন রুল ঙাক্লা তৌবীয়ু। নৎত্রবদি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্ত ১৯২৭ অমদি মণিপুর ফোরেষ্ট রুল ১৯৭১ গী মতুংইন্না অকনবা চৈরাকশিং ফংবা য়াই হায়না আপিল তৌরকখি।

ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি ঙানবম ধনশ্যাম, লৈফম সেঞ্জম খুনৌ, সেকমাই পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট, হাওবম বসন্তা (২৮), লৈফম খোইরোম ময়াই লৈকায়, য়াইরিপোক পি এস, থৌবাল, হিদংময়ুম কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মা (৩৫), খোইরোম ময়াই লৈকায়, য়াইরিপোক, পি এস থৌবাল, পি রামসং (৩৪), লৈফম মকান ভিলেজ, কসোম পি এস, কামজোং, সী ঐচ মাথিল (২৮), লৈফম লল্লোং খুল্লেন, মচি পি এস, তেংনৌপল অমসুং মোইরাংথেম দিলিপ (৩২), য়াইরিপোক কেক্রু মখা লৈকায়, য়াইরিপোক পি এস থৌবালনি হায়রি।

## বোমগী মচাক্কা কোন্ননা প্রিপাক্কী কাদর ১, সিম্পেথাইজর ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪: থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমদি ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন ফোর্সনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী প্রিপাক্কী কাদর ১, সিম্পেথাইজর ২ ফারে। অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনসু প্রিপাক্কী কাদর অমা ফারে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমদি ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন টিমনা অহানবদা কোংবা উচেকোন লাই মুরিবদগী প্রিপাক্কী কাদর অমা ফাখি। মহাক্কী মমিং নিংঙোম্বম ইবোহল (৩৮) অপোকপা এন দেবেন কৌই। মহাক খোংমন জোন টুদা লৈবনি। মঙোন্দগী বোমগী মচাক য়াওবা কন্টেনর তরুক, হোন্ডা এক্টিভা অমা, মোবাইন ফোন অনী য়াওনা ফংলে। মহাক প্রিপাক্কী পাইখোম্বা কৌবা অমগী মখাদা থবক তৌরি।

মখা তানা কম্বাইন টিম অসিনা কোংবা উচেকোন লাই মুরিবদগী ৱাহেংবম মনিমুক্তা এলিয়স মনি (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা নরহরি অমদি ক্বাক্তা থিঙ্গেল লৈকাইদগী এম দি সনায়াই এলিয়স ৱারিশ (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা বাবু কৌবা প্রিপাক্কী সিম্পেথাইজর অনীসু ফাখি কোংবা উচেকোন লাই মুরিবদগী ফাখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। মখোয় অনীনা মোরেদগী ইম্ফালদা পার্টি অসিগী পোৎ পুথোক-পুশিনসু তৌই হায়রি। মখোয়দগী মোবাইন ফোন অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কমান্দোগী কাঙবুনা থা অসিগী ২ গী নুংথিলদা প্রিপাক্কী কাদর অমা কোইরেঙ্গৈ কৈথেলদগী ফারে। মহাক্কী মমিং নিংঙোম্বম পোইরৈতোন অপোকপা এন রাজেন কৌই। মহাক জিরিবাম বোরবেকাদগী লাক্লগা হৌজিক্লা খাবম কোন্থাদা লৈবনি হায়রি।

## রেগ্যুলেটরি গাইদলান্স পুথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪: লন্নাই মীওই কয়ানা চলাইবা তোঙান তোঙানবা বোর্দিং অমসুং হোষ্টেলশিংদা লৈবা চহী নৌরিবা অঙাংশিং শিবা, সুইসাইদ তৌবা অমসুং মখোয়দা সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌবনচিংবা থৌদোকশিং মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না হকচিন্না লৌই হায়না কম্মিসন অসিগী চ্যেয়রপর্সন সুমতিবলা নিংথৌজমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা বোর্দিং অমসুং হোষ্টেলশিংদা লৈরিবা অঙাংশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি মখোয়গী রাইটশিং য়েংশিনবীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না কম্মিসন্না লৌই। কম্মিসন্না অশেংবা ফিভমশিং খঙদোক্লবা চৎখিবা খোঙচৎশিংদা তোঙান তোঙানবা হোষ্টেলশিং অমসুং বোর্দিংগী ইনফ্রষ্ট্রকচর অমদি মেনেজমেন্টদা অশোইবা লৈরমখি হায়রি।

## প্রোটেক্সন ফোর মোব লিঞ্চিং ওর্দিনান্স ২০১৮...

*লামায় ১গী মখা...* এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা এস ও-১ অমসুং এস ও-২গী ফম অসি অমখত্তংদা পূনশিল্লগনি অমসুং অহাঙবা ফমশিং এম পি এস সীগী খূথাংদা লৌননবা ঙসিগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

মণিপুর ভবনশিংদা গ্রুপ সী অমসুং দিদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগীসু থাগী তোলোপ হেনগৎননবা ৱারেপ লৌখ্রে। ন্যু দিল্লি অমসুং কলকাটাদা গ্রেদ সীদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংদা হৌজিক লুপা ১৭,১০০ পীরগনি, অদুগা গ্রুপ দিদা থবক তৌবশিংগীনা লুপা ১৩,৭৪০ পীরগনি। অদুমকপু গুৱাহাটি মণিপুর ভবনদা থবক তৌবশিংগীদি গ্রুপ সীদা লুপা ১৫,১০০ অমসুং গ্রুপ দিদনা লুপা ১১,৭৪০ পীগনি হায়রি।

মণিপুরদগী হৌখিবা হৌজিক্লা মালেম পূম্বগী মশান্না ওইখ্রবা পোলোবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা নুপী ইন্টরনেসনল পোলো শান্নরোয় তরেৎতা লৈঙাক্লা মশা মশাগা চানবা থবক অমমম্ পীননবা ৱারেপ লৌখ্রে। শান্নরোয়শিং অদুদি লাইশ্রম থাদোই, অসেম রোমাবতি, সলাম সুমতি, খুন্দোংবম হাবে, খুন্দোংবম দেবেন্তি, সোইবম লাংলেন অমসুং টি ঐচ তান্না দেবীনি হায়রি।

মপান লমদগী লমকোয়বা লাকপশিংগী খূদোংচাননবা ষ্টেট অসিদা ফাইব ষ্টার হোটেল অমা লিংননবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মখাদা হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল হোটেল অসি চহী ৪৯গী লিজদা ফাইব ষ্টার হোটেল শাগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। মসিগীদমক টেন্দর পাঙথোক্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

শক্লাইরবা শৈশকপা নব ভোলকেনো (সমুরাইলাৎপম নব শর্ম্মা)দা চহী ১গী ওইনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী কন্সল্টেন্ট হাপ্পনবা ৱারেপসু লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, ষ্টেট কেবিনেটনা মোব লিঞ্চিংগা মরী লৈননা লৌখিবা ওর্দিনান্স চল্লাইননবগী ৱারেপ অদুদা এক্ত অসিগী মখাদা পীবা য়াথং অতম্না ইন্দবা মীওইশিং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৭৪ গী মখাদা এক্সন লৌখৎকনি হায়বা য়াওরি।

ভিক্টিমগী পুন্সি কনবা ঙমদবা মথৌ চেকশিন্দবা পুলিস ওফিসরশিং চহী ১ দগীনা চহী ৩ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০ ফাইন ওইনা থিহনগনি। মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎতুনা মীওই অমা নৎত্রগা মীওই খরগী মথক্তা পামদবা থৌদোক থোকহন্নবা অতম্না শিনবা মীওই অদু থা ৬ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই।